

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, MAY 10, 2016 PAGE 7




১৮ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী আই ভি এফ এ সলাম্বোং অমদি এন সি সি এ খোংহামপাৎনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা

আই এফ এফ ৱার্ল্ড কপতা মেনস স্কিট ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সুটর মৈরাস অহমদ খান্না মহাক্না মেদল ফঙবদা হরাওবা ফোংদোকখিবা

## হোক্কি ইন্দিয়া সব–জুনিয়র নেসনেল এ অমদি বি দিভিজন চেম্পিয়নসিপ

### হোক্কি মিজোরাম, হোক্কি উত্তরখন্দ , হোক্কি ভোপাল অমদি হোক্কি মধ্য ভারত মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৯ :**
হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক এস্ট্রো তর্ফ হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব–জুনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ এ অমদি বি দিভিজন ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা বি দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিংদা হোক্কি মিজোরাম , হোক্কি উরতখন্দ, হোক্কি ভোপাল অমদি হোক্কি মধ্য ভারত মায় পাকখ্রে।

৩০ শুবা মেটচ ওইনা হোক্কি মিজোরাম অমদি হোক্কি পুদুচরিনা শান্নখিবা গ্রুপ সি গী মেটচতা হোক্কি মিজোরাম্না গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা অহানবা মেটচ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

হোক্কি মিজোরাম্না থংননা মেটচ অনী মায় থিখ্রবগী মতুংদা ঙসিগী অহানবা মায় পাকখিবা মেটচ অদুগী হোক্কি মিজোরামগী গোল অহুম অদু লালরুৱাটসঙ্গা, লালরামদিনা অমদি ভানলানদানমাওৱিয়ানা মথংশিংনা ৩১, ৬১ অমদি ৬৪ শুবা মিনটথা অমমম চনখিবনি।

২৯ শুবা মেটচশিংদা গ্রুপ বি গী হোক্কি মধ্য ভারত অমদি হোক্কি গুজরাটনা শান্নখিবা মেটচতা হোক্কি মধ্যা ভারতনা গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হোক্কি মধ্য ভারতকী গোল অদু তরুক অদু কেপ্টেন অরবাসখাননা ৯ অমদি ২৫ শুবা মিনটতা অনী , অরবাসখান্না ১৩ অমদি ৬৪ শুবা মিনটতা অনী অমদি বিকাস রাজক্না ৪৬ অমদি ৬০ শুবা মিনটতা অনী চনখিবনি। হোক্কি গুজরাটকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দুস য়েন করিয়ানা ৬৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

২৮ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ এ গী হোক্কি ভোপাল অমদি বিদ্রভা হোক্কি এসোসিয়েন্না শান্নখিবা হোক্কি ভোপালনা ১১–২ মায়থিবা পীখ্রে।

হোক্কি ভোপালগী গোল ১১ অদু সহিবুর রহমননা ৭, ৯ অমদি ১২ শুবা মিনটতা অহুম, সৌরব পাসিনেনা ৪০, ৪৭ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা অহুম, ফাইজান উদিন্না ৫৩ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা অনী, সদন শৌকৎ, অবদুল অজিম অমদি ৱাসিম বেগ্না মথংশিংনা ১০, ৫৪ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

বিদ্রভা হোক্কি এসোসিয়েসনগী গোল অনী অদুনা কৌসতুপ বরাদিয়া অমদি রৌনক চৌধোরিনা ১৪ অমদি ১৮ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

২৭ শুবা মেটচ ওইনা হোক্কি উতরখন্দ অমদি কেরেলা হোক্কিনা শান্নখিবা মেটচতা হোক্কি উতরখন্দনা গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হোক্কি উতরখন্দগী গোল ৫ অদু সুমিটকুমারনা ৩১, ৪৬ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা অহুম অমদি কেপ্টেন রজিভ কুমারনা ৫৫ অমদি ৬৮ শুবা মিনটতা অনী চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ এ গী ছতিসগর হোক্কিগা গৌৱাঙ্গ হোক্কিগা, অনীশুবা মেটচতা বেঙ্গল হোক্কি এসোসিয়েসনগা , বিদ্রভা হোক্কি এসোসিয়েসনগা অহুমশুবা মেটচতা গ্রুপ সি গী দদ্রা নগর হভেলি হোক্কি এসোসিয়েসনগা হোক্কি জম্মু কস্মিরগা, মরিশুবা মেটচতা গ্রুপ দি গী হোক্কি বিহারগা হোক্কি রজষ্টানগা মঙাশুবা মেটচতা অসাম হোক্কিগা মুম্বাই স্কুল এসোসিয়েসনগা অমদি তরুকশুবা মেটচতা সিটিজন হোক্কি ১১ দিল্লিগা হোক্কি কুর্স করনাটকাগা শান্নরগনি।



POINT TABLE GROUP A

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| THE MUMBAI HOCKEY | 3 | 1 | 2 | 0 | 8 | 3 | 5 | 5 |
| CHHATISGARH HOCKEY | 2 | 1 | 1 | 0 | 7 | 2 | 5 | 4 |
| HOCKEY UTTARAKHAND | 2 | 1 | 1 | 0 | 7 | 1 | 5 | 4 |
| KERALA HOCKEY | 2 | 1 | 0 | 1 | 6 | 6 | 0 | 3 |
| GOANS HOCKEY | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 15 | -15 | 0 |

POINT TABLE GROUP B

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| HOCKEY MADHYA PRADESH | 3 | 3 | 0 | 0 | 16 | 5 | 11 | 9 |
| BENGAL HOCKEY ASSN | 3 | 2 | 0 | 1 | 10 | 4 | 6 | 6 |
| HOCKEY BHOPAL | 3 | 2 | 0 | 0 | 19 | 4 | 15 | 9 |
| VIDARBHA HOCKEY ASSN | 3 | 1 | 0 | 2 | 10 | 20 | -10 | 3 |
| HOCKEY MADHYA BRARAT | 4 | 1 | 0 | 3 | 6 | 13 | -7 | 3 |
| HOCKEY GUJARAT | 4 | 0 | 0 | 4 | 8 | 23 | -15 | 0 |

POINT TABLE GROUP C

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| NAMDHARI XI | 3 | 3 | 0 | 0 | 16 | 1 | 15 | 9 |
| DADRA & NAGAR HAVELI | 2 | 2 | 0 | 0 | 23 | 0 | 23 | 6 |
| HOCKEY JAMMU & KASHMIR | 2 | 2 | 0 | 0 | 8 | 1 | 7 | 6 |
| HOCKEY MIZORAM | 3 | 1 | 0 | 2 | 5 | 6 | -1 | 3 |
| HOCKEY PUDUCHERRY | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 29 | -29 | 0 |
| HOCKEY HIMACHAL | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 15 | -15 | 0 |

POINT TABLE GROUP D

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| HOCKEY RAJASTHAN | 2 | 2 | 0 | 0 | 6 | 3 | 3 | 6 |
| ASSAM HOCKEY | 2 | 1 | 1 | 0 | 7 | 3 | 4 | 4 |
| HOCKEY COORG KARNATAKA | 2 | 1 | 0 | 1 | 9 | 6 | 3 | 3 |
| HOCKEY BIHAR | 1 | 0 | 1 | 0 | 2 | 2 | 0 | 1 |
| CITIZEN HOCKEY DELHI | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| MUMBAI SCHOOL SPORTS | 2 | 0 | 0 | 2 | 3 | 12 | -7 | 0 |

## চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

### ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনগদবা টিম খঙখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৯ :**
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ১৮ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী গ্রুপ লিগকী মেটচশিং শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনগদবা টিমশিং খঙবা লোইখ্রে।

ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এ দগী পোইন্ট ১০ ফঙলগা ৱিন্নর ওইখিবা এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজেবুং অমদি পোইন্ট ৮ ফঙলগা রন্নর ওইখিবা এফ সি ইম্ফাল ময়াই কোইবিনি।

গ্রুপ বি দগী পোইন্ট ১২ ফঙলগা ৱিন্নর ওইখিবা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দ অমদি পোইন্ট ৯ ফঙলগা রন্নর ওইখিবা য়ু ভি এস এ লিলোং চাজিংনি।

গ্রুপ সি দগী পোইন্ট ৬ ফঙলগা ৱিন্নর ওইখিবা টি বি এস এফ এ তাউবুংখোক অমদি পোইন্ট ৫ ফঙলগা রন্নর ওইখিবা টি আর বি এস এ মালোমনি।

থার্দ বেষ্ট টিম্না গ্রুপ বি দা লৈখিবা কে এস সি না পোইন্ট ৬ ফঙলগা মখোয়সু ক্বাটর ফাইনেল চঙখি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অসিদা কলকতা ভেটরান টিম শরুক য়াগদৌরি।

ঙসি লিগ রাউন্দগী অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচতা এম সি দি এ খোঙহামপাৎনা আই ই ভি এফ এ সলাম্বোং গোল ১–০ দা মায়থিবা পীরগা অহানবা মায় পাকপা ওইখিবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৩ ফঙলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

এন সি দি এ গী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কে ঐচ তিকেন্না ৪৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি। আই ই ভি এফ এ না হন্দকী টুর্নামেন্ট অসি মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদে।

গ্রুপ এ গী অরোইবা লিগ মেটচ ওইনা এ ৱাই এম এফ এ য়াইরিপোক অমদি ভি বি এফ এ এম কৈশামপাৎ না শান্নখিবদা এ ৱাই এম এফ এ গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা অহানবা মেটচ মায় পাকপা ঙম্বগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী ওইনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখি।

এ ৱাই এম এফ এ গী গোল অনী অদু কে ঐচ সনাতোম্বা অমদি কে মোসেস সরিয়োনা ৫ অমদি ৬০ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি। ভি বি এফ এ এম গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সুজে বিশ্বাসনা মরিশুবা মিনটতা চনখিবনি। ভি বি এফ এ এম না মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদবদগী অরোইবা পোজিসনদা লৈখি। হয়েং অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা টি ভি এস এফ এ গা এফ সি ইম্ফালগা অনীশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা বি এস এ আই গা ইষ্ট কলকতা ভেটরানগা শান্নরগনি। অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা য়ু ভি এস এফ এ গা টি আর ভি এস এ গা অমদি মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এফ ভি দব্লি এ গা কে এস সি গা তাং ১১ দা শান্নরগনি।

## ২১ শুবা নিলামনি ওপন চেছ টুর্নামেন্ট

### বাঙ্কিম, প্রেমজিৎ অমদি সসিকান্তা মাংজিল থামিন্নরি



**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৯ :**
শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শীন্দুনা মণিপুর কলেজদা চথরিবা ২১ শুবা ৱাই নিলামনি মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী অহুমশুবা রাউন্দ ওইবা ফাওবদা অনীশুবা , মরিশুবা অমদি নিপালশুবা সিদেদতা লৈরিবা এম বঙ্কিম, এস প্রেমজিৎ অমদি ই সসিকান্তনা পোইন্ট ৩ ফঙলগা পুন্না মাংজিল থামিন্নরি।

টেবল নম্বর ১ দা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা এন বাঙ্কিম পোইন্ট অহুম্না ৬ শুবা সিদেটতা লৈরিবা ও নিংথেম পোইন্ট অনী টেবল নম্বর ২ দা শান্নখিবা মেটচতা এস প্রেমজিৎ পোইন্ট অহুমনা ৭ শুবা সিদেটতা লৈরিবা টি চিতরঞ্জন পোইন্ট অনী অমদি টেবল নম্বর ৩ দা শান্নখিবা মেটচতা ই সসিকান্তা পোইন্ট অহুম্না ৫ শুবা সিদেটতা লৈরিবা সেকপিয়র এল পোইন্ট অনী মায়থিবা পীরগা পুন্না মাংজিল থামিন্নখিবনি।

টেবল নম্বর ৪ দা শান্নখিবা মেটচতা অহানবা সিদেটতা লৈরিবা কে ঐচ সঞ্জয় না পোইন্ট ২.৫ না ২৪ শুবদা লৈরিবা এ হরিমোহোন পোইন্ট ১.৫ তা মায়থিবা পীখ্রে।

টেবল নম্বর ৫ তা শান্নখিবা মেটচতা অহুমশুবদা লৈরিবা এ চক্রিতোম্বী পোইন্ট ২.৫ না ১২ শুবদা লৈরিবা এস লোরেন্স পোইন্ট ১.৫ মায়থিবা পীখ্রে।

টেবল নম্বর ৬ তা শান্নখিবা মেটচতা ৯ শুবদা লৈরিবা কে এম সিংহ পোইন্ট ২.৫ না ৩১ শুবদা লৈরিবা এম পিশক পোইন্ট ১.৫ মায়থিবা পীখ্রে।

টেবল নম্বর ৭ দা শান্নখিবা মেটচতা ১০ শুবদা লৈরিবা ঐচ ইবোচৌ ২.৫ না ৪০ শুবদা লৈরিবা কে এস ঐচ হেমসন পোইন্ট ১.৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টেবল নম্বর ৮ তা শান্নখিবা মেটচতা ১১ শুবদা লৈরিবা আর কে সুধির সিংহ পোইন্ট ২.৫ না ৩৮ শুবদা লৈরিবা কে প্রদিপ পোইন্ট ১.৫ মায়থিবা পীরগা বঙ্কিম, প্রেমজিৎ অমদি সসিকান্তগী মথংদা য়াম্না নক্না পোইন্ট লৌবা ঙম্বা শান্নরোইশিং ওইরি।

## ৱাই দব্লিউ সি না থাউ মায়থিবা পীখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৯ :**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম লুৱাংশঙবমদা চথরিবা অহুমশুবা এম সি এ দব্লিউ প্রলাদা অমদি দব্লিউ রমানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ১৬ শুবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা থাউ থাংমৈবন্দ ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই দব্লিউ সি গী কিষন্না ৱিকেট অহুম লৌদুনা তাখি।

থাউনা তোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং খনখিবা মেটচ অদুদা ওভর ৩০.২ দা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ৭৫ লৌখি। ৱাই দব্লিউ সি না অনীশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা থাউনা থল্লমখিবা রন ৭৬ কী পন্দম অদু ওভর ২৩.৫ তা ৱিকেট মরি আউত ওইরগা লৌদুনা ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখিবনি।

হয়েং এস সি সি সি শিংজমৈ অমদি ফোর্স ক্ষেত্রি গাও শান্নরগনি।

## অহৌবা মেটচতা জে এফ সি মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৯ :**
সবনতোংবা য়ুঠ স্পোর্টিং দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন থৌবাল সবনতোংবনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৯ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা সবনতোংবা কাংজেবুংদা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচতা জে এফ সি তেন্থানা পি কে ৱাই সি ফৌদেল্লু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

জে এফ সি গী গোল ৫ অদু জেমসনা অনী, অসোকলাই, তেনি অমদি রোমারিয়োনা অমমম চনখিবনি।

পি কে ৱাই সি গী গোল অহুম অদুনা এম জয়ানন্দনা চনখিবনি।

## এস টি পি পি অমদি বি এস এফ সেমি চঙখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৯ :**
তেলৌ জোইন্ট কোর ওপেরেটিব ফারমিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিংদা এস টি পি পি সেক্তা অমদি বি এস এফ সি আই পোষ্ট লম্লাই মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব তেলৌগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচতা এস টি পি পি সেক্তানা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌ গোল ২–১ দা অমদি অনীশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা বি এস এফ সি আই পোষ্ট লম্লাইনা ৱাই এস দব্লিউ সি সবুংখোক গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। হয়েং অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা বি এস য়ু ককচিংগা টি ৱাই এল এ সেক্তাগা অমদি মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এফ সি তেলৌগা বি আর ৱাই ও কম্বোং বুটকা শান্নরগনি।

## রঞ্জিৎ রোইনা সেক্রেটরী ওইরগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৯ :**
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা সিংহ না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চৎলিবা চহি অসিগী ইং ২০১৬ দগী ২০২০ ফাওবগী এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা এন রঞ্জিৎরোই হাপখ্রে হায়রি।

এসোসিয়েসনগী কন্সষ্টিট্যুসনগী আরটিকল ২২ ক্লোস (এ) দা য়ুম্ফম ওইরগা রঞ্জিৎরোই সেক্রেটরী ওইনা খনখিবগা লোয়ননা খুদক্তদগী থৌ পুগদদৌরিবনি।

সনাতোম্বা হন্দক পাংথোকখিবা মীখলদা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুরকখিবনি।


ADMISSION STARTS ADMISSION STARTS
NEW BATCH NEW BATCH
MPSC's CIVIL SERVICES (PRELIMS)
GENERAL STUDIES
CLASS STARTS: 15TH APRIL 2016 *** TIMING: 6.30 AM - 9.00 AM
ONLINE MOCK TEST
FOR BANK PO/MT/ASSISTANTS & OTHERS
CONDUCTED BY SBI, IBPS AND SSC
Registration starts : 21-3-2016; Date of Mock Test: 4-4-2016 onwards; Timing: 11.00am to 1.00pm
SL/Bill/ 3 April X 30 days
For MPSC Optional Subject
Public Administration
CLASS STARTS: 10-03-2016 TIMING: 9.15am - 10.45am
6 MONTHS CERTIFICATE COURSE ON
Basic Computer Applications
CLASS STARTS: 30-03-2016
TIMING: 9.00AM - 10.30AM
For limited seats For limited seats
Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
KWAKEITHEL, IMPHAL
PHONE: 9206319209



Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*